# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-04-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-০৪-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খুৎশু খূৎলাইশিং, লালহৌবশিং অমদি দ্রগ ললোনবশিং ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিনা ঙসি ভারত সংবিধানবু শেম্লম্বা ডা.বি.আর অম্বেদকরগী ১৩৪ শুবা মপোক কুমওন নুমিত্তা ইকাই খুমবা উৎলক্লি।

**------**

**চৈরাউবা (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংদা ধর্মগী ওইবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকপা, কুম অমগী অনৌ অপেনশিং মপুগী মফমদা কৎলবা মতুং মথেল লুকোই শেমদুনা অমগা অমগা লান্নবা অমসুং নুংথিলগী মতমদা মনাক নকপা চীংদা কাবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইনা শক্তম ওইরি।

চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- চৈরাউবনা অরি-অনৌ শিন্নবা, অনৌবা ৱাখল্লোন,আশা অমসুং চা ওখৎপা ওইরসনু। নুমিৎ অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অখন্নবা মথেল লাংদুনা মপু মহাক্কী মফমদা থৌনিজে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যব্রট্টনা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- নুমিৎ অসিনা নুংঙাইবা, অনা অয়েক য়াওদবা অমদি চাওখৎপা ওইরসনু। অনৌবা চহিনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা, চাওখৎপা অমদি ইং তপ্পা লমদম অমা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা এম.এল.এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমা হায়-শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা লমদম অসিদা শান্তি চাউখৎপা অমসুং অমত্তা ওইবা পুরকপা ওইরসনু।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নাতুম চীং, সনাশাবীদগী হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, দিতোনেতর নিপান, ট্যুব লোঞ্চর ৪, ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন অমা, নোংমৈ মরুশিং, তোকিংশিং, পেরা বোম, বুলেট প্রুফ জেকেটনচিংবা ফাগৎপা ঙল্লে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী জেলমোল খুলদা শারম্বা ভিলেজ ভোলুন্তিয়রশিংগী ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইখ্রে। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈদগী য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা

নোংমৈ মরু ১৫, মোবাইল ফোন অনি ফারে। মসিগী মখা তারকপদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা এস.এম.জি কর্বাইন নোংমৈ অমা, নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসনা খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ(পি)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা মুম্পী খুলদগী জি.আই.সিট হুরাল্লন্বা মীওই অনি ফাগৎপা ঙমখি। ঙরাং ইম্ফাল পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নোর্থ এ.ও.সি অমসুং তমেংলোং জিলাগী তাদবুংদগী হেরোইন পাউদরশিং ফাগৎপা ঙমখি

**এমপি(এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়রি- মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা, নিংহন্নবা লৈতনা থৌনা লৈনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কীদমক হিংবা অমসুং থৱাহ থাবা ঙম্বা মীরোলশিং শেমগৎলবদি রাজ্য অসিগী সমস্যাশিং কোকহনবা ঙমগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোঙ গ্রাউন্দদা অরাম্বাইনা শিন্দুনা চথরকখিবা মসিগী য়ুনিটশিংগী ফুটবোল টুরনামেন্টকী লোইশিনবগী থৌরমদা শ্রী সনাজাওবনা হায়-মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবা থৌনা লৈনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কীদমক হিংবা অমসুং থৱাই থাবা ঙম্বা অদু ঙসিগী নহাশিংনা উৎলি। রাজ্য অসিদা ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাং অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লনথুম কন্নবগীদমক নহা কয়ানা চোংথোরকখি। মহাকা হায়-

**স্বিম্মিং(এল)ঃ** থা অসিগী ৫ দগী ১০ ফাওবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা লৈবা এজম্‌সন য়ুনিভর্সিতি এক্বাতিক সেন্তরদা পাঙথোকখিবা এরেনা থাইলেন্দ এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান ৩ অমসুং লূপাগী তকমান ৩ লৌরক্লে হায়রি। সেন্ত্রেল স্বিম্মিং ক্লব ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি

মপালগী শান্নরোইশিংনা মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা অদুদা মালেমগী ক্লব ৬৩ গী মনুংদা ক্লব অসিনা ১৩ শুবা রেঙ্ক তাখি।

**অম্বেদকরঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ভারত সংবিধানবু শেম্লম্বা ডা.বি.আর অম্বেদকরগী ১৩৪ শুবা মপোক কুমওন নুমিত্তা ইকাই খুমবা উৎলক্লি। নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্লি। রাস্ত্রপতি, উপ-রাস্ত্রপতি প্রধান মন্ত্রি লোক সভা অধ্যক্ষা অমদি সংসদ সধ্যসশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা ববা সাহেবগী মীতমদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

অম্বেদকর জয়েন্তি নুমিৎকা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হরিয়ানাদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক হিসারদা চত্তুনা মফমদুদগী অযোধিয়া তমা পাইগদবা কম্মরসিএল ফ্লাইট অমা হৌদোক্কনি অমসুং হিসার ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিংগী যাত্রা হুনগনি। শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা যামুনা নাগরদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি। লমদম অদুদা মৈ ফংহন্নবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা শ্রী মোদিনা যামুনা নাগরদা দিনাবন্ধু সোতু রাম থর্মেল পৱার প্লান্টকী মেগৱার্ট ৮০০ গী মোর্দন থর্মেল পৱার য়ুনিটকী যাত্রা হুনগনি। গোভরধন স্কিমবু হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা যামুনা নাগরগী মুকারাবপুরদা কমপ্রেস বাইও গ্যাস প্লান্ট অমগী যাত্রাসু হুনগনি। মহাকা কিলোমিটর ১৪ লিটর ৪০০ শাংবা রিৱারি বাইপাস প্রোজেক্টসু শঙ্গাগনি। প্রোজেক্ট অসি ভারত মালা পরি য়োজনাগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ১,০৭০ রোম চংনা পায়কৎপনি।

**সাহ্ ঃ** ভারতকী কোওপরেতিভকী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা অমা পুরক্লিবা অসিদা কেন্দ্রগী গৃহ্ অমসুং কোওপরেতিভ মন্ত্রি অমিত সাহ্না থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা রাজ্য থাক্কী কোওপরেতিভ মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহ্না হায়- মোদি সরকারনা কোওপরেতিভকী লম চাওখৎহন্নবা কোওপরেসন মন্ত্রালয় শেমখিবনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা ভারতকী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা রুরেল দিভলপমেন্ট, এগ্রিকলচর অমসুং এনিমেল হজবেন্দরিগী লমদা অমত্তা ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌখি। মহাকা হায়- প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিৎ সোসাইতি (পে.এ.সি.এস) মপুং ফানা চাওখৎলকপগা লোয়ননা রাজ্য ২০ দা হৌজিক মপুং ফানা থবক তৌরি।

**য়ুক্রেন ঃ** য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা সহর সুমিদা ঙরাং পাম সনডে নুমিৎতা রসিয়ানা মিসাইল কাপশিন্দুনা লান্দাবদা অঙাং অনি য়াওনা মীওই ৩২ শিরে, ৮৪ অশোক অপন নংলে। পাম সনডেগী চর্চ কাদুনা লাইশোল সভা পাঙথোক্লিঙৈদা মিসাইল এটেক অদু চথুরকখিবনি। শোক্লবশিংগী মনুংদা অঙাং ১০ য়াওরি। মফম অদুগী ওফিসিয়েল পাউ মতুংহন্না বেলিষ্টিক মিসাইল অনি মীয়াম তিনবা মফম অদুদা কাপশিল্লকখিবনি। য়ুক্রেনগী রাষ্ট্রপতি ভোলোদিমির জেলেস্কিনা থৌওং অদুবু পাংদবগী থৌওংনি হায়না মালেমগী লৈবাকশিংনা মসিগী পাউখুম চপ চানা পীগদবনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চৈরাও চীং য়াওনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা, ৱাকফ এমেন্টমেন্ট এক্টকা মরি লৈননা কংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা

ফোঙনরি।

অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ ৱাকফ এমেন্টমেন্ট এক্টতা কংগ্রেসনা হায়-কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি, সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়বা পাউশিং অসি সঙাই এক্সপ্রেসতা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদ্না ফোঙলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন য়াওনা অতৈ পাউশিং-পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, মোর্নিং বেল, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ইচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেস য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা মরুওইনা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

য়ুনিয়ন হোম মিণিষ্টরগী ৱাফম মণিপুরগী মীয়ামদা চাউনা মীনম্বনি: অথৌবা- হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। চুরাচান্দপুরদগী গারি মপোৎ মপোৎ ওইনা লাক্তুনা থাংজিং চীং কাহন্দনবা হোৎনখ্রে, আর্মি অমসুং সি.আর.পি.এফনা ফুরুপ অনিমকা মীওই অমত্তা চংহনখিদ্রে-হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা কোন্সা খুলদা চথখিবা থৌওং নাগাশিংগী লম মুন্নবা হোৎনবনি: ঈ.এল.এন.সি.এ- হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

অৱাং নোংপোক্কী লম্বীশিং য়ু.এসকী থাক্তা শেমবা থৌরাং তৌরি: নিতিন গদকারি- হায়বা পাউ ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মপোক কুমওননা লাকপদা য়াইফ পাডজেল পীরকপগী পাউসু সনালৈবাক য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

থাংজিংদা লাই খুরুম্বা চৎকদবশিং লাক্তনবা কুকি জোশিংনা কিহল্লক্লে- হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

কাংপোকপীদা কোটুনা মৈতৈশিংগী মায়োক্তা চথবা থবক থৌরমশিং হেন্না কনশিনখ্রে- হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গমগিফাইদা কোটুগী চেকপোইন্ট অমুক হন্না হাংদোকখ্রে- হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। ইন্দিয়া, ম্যান্মার অমসুং তাজকিস্তানদা ঙরাং য়ুহার হাখি হায়বা পাউ অমসু তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**